**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) হিয়াঙ্গৈ নিনি পানবদা পাঙথোকপা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা চহিগী কুম্মৈ 'নিংঙোল চাক্কৌবা' হয়েং পাঙথোকবা শেম শান্নরি ।

২) রাজ্যপাল য়াওনা রাজ্য অসিগী লুচিংবশিং অমসুং লনাই লুপ কয়ানা নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

৩) কুম্মৈগা মরী লৈননা ৪৬ লক শুবা ঙাগী মেলা ঙসি হৌখ্রে। শরেং পুথোকপগী চাং মমাং চহিগা য়েংনবদা শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎলে।

৪) এন.এস.সি.এন-আই.এমগী লুচিংবা থুইঙাইলেং মুইভা চহি ৫০ গী মতুংদা ঙসি উখ্রুলদা লাকখ্রে।

অমসুং

৫) গৃহ মন্ত্রালয়গী হাই পৱার কমিতিগা লদাখকী লুচিংবশিংগা ঙসি নিউ দিল্লিদা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নখ্রে।

------

চাক্কৌবা (এল) ঃ মীতৈ কেলেন্দরগী হিয়াঙ্গৈ নিনি পানবদা পাঙথোকপা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা চহিগী কুম্মৈ অমা ওইরিবা 'নিংঙোল চাক্কৌবা' হয়েং পাঙথোকবা শেম শান্নরি ।

যুমাক শাগে ওনখ্রবী নিংঙোল ওইবীশিংনা মপাম লমদমদা চত্তুনা মমা-মপা মবুং-মৌপৱাশিংগা নুংশি চান্না চামি থকমিন্নবা অমদি ঙমজবা খুদোলপোৎ তমদুনা নুংশিনবগী অচেৎপা মরী উৎলিবা কুম্মৈ অসিগীদমক খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা তম্পাক্কী কৈথেলশিংদা পোৎ লৈবা লাকবা মীয়ামা চিক-চাইনবা ঙমদনা মী চিল্লে। মরুওইনা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মীওই চা কয়া পোৎ চৈ লৈবা লাকখি। মী কা হেন্না চিনবনা ত্রাফিক পুলিস য়াওনা মণিপ্‌র পুলিসকী পার্সোনেলশিংনা চেকশিন্না ঙাকশেনখি।

নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগা মরী লৈননা রাজ্যপাল য়াওনা রাজ্য অসিগী লুচিংবশিং অমসুং লনাই লুপ কয়ানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- মণিপুরগী নিংঙোল ওইবীশিংনা কুম্মৈ অসিগী ফজবা লৈতেং ওইরি। মবুং-মৌপৱাশিং নিংঙোল ওইবীশিংগা নুংশিনবগী অচেৎপা মরী অমদি অমত্তা ওইবগী শক্তম উৎলিবা কুম্মৈ অসিনা মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা চৎনবী, নাৎ অমসুং নুংশি চান্নবগী মতৌ অদু উবা ফংলি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা অনা অয়েক য়াওদবা অমদি লমদম অসিগী ইমুং নুংঙাই য়াইফবা ওইরসনু হায়না পাউজেল পীরক্লি।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা সিংহ, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, এম.এল.এ- থোঙাম বিশ্বজিৎ, এম.এল.এ- যুমাম খেমচান্দ, কেন্দ্রগী হান্নগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন সিংহ য়াওনা তোঙান তোঙানবা এম.এল.এ অমদি রাজনীতিল দল, মহৈরোই লুপ অমদি সি.এস.ওশিংনা নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মেলা (এল)ঃ নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগা মরী লৈননা ৪৬ লক শুবা ঙাগী মেলা ঙসি ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা হপ্তা কাংজৈবুংদা রাজ্যগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-ভিবেক কুমার দেৱাংগন হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ নিনি চত্থগদবা রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা অখন্ননা শিনবা ঙাগী মেলা অসিদা পুন্না ষ্টোল ১৪১ হাংলি। মেলা অসিদা রাজ্য অসিদা মহৌশাদগী

লৈজরক্লবা ঙাশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ঙা মখলশিং ফংহল্লি। মেলা অসি হৌদোক্লদুনা রাজ্যগী এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি ভিবেক কুমার দেৱাংগনা হায়- মনিপুরদা ঙা মেত্রিক টোন ৬৪ দরকার লৈবদা মেত্রিক টোন ৪০ দগীনা ৪৫ ফাওবদি রাজ্য অসিনা পুথোকচবা ঙমলে। অৱাৎপা ঙা মেত্রিক টোন ২০ লোমদি মপানদগী পুশিল্লক্লি। অদুবু রাজ্য অসিদা ঙা পুথোকপগী চাং হেনগৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎলি হায়খি।

ঙাগী মেলা অসিগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উন্নবদা ফিসরিজ বিভাগকী দাইরেক্তর-টি. ফুলেননা হায়- চহি অসিদা শরেং পুথোকপগী চাং মমাং চহিগা য়েংনবদা শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎলে। অদুবু শরেং লৈনিংবা মী মশিং য়াম্বনা পুথোক্লিবা চাং অসিনা মীপুম খুদিংমক পেলহনবা ঙমদ্রবসু ইমোইনু ইরাৎ থৌনি নংনবা শরেং মশিং য়ামা পুথোকবা হোৎনরি। চহি অসিগী ওইনা মেলা অসিদা পুন্না ঙা কিলোগ্রাম লাখ ১ মখায় পুথোকবা পান্দম থল্লি। ঙা খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপা ঙামীদা হান্না পীরম্বা মনাদগী হেনগৎতুনা চহি অসিগী ওইনা খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপা ঙামী অহুমদা মথং শিংনা লুপা লাখ ২, লুপা লাখ অমা মখায় অমদি লুপা লাখ অমা পীরগনি। মীয়ামা মপানদগী পুশিল্লকপা ঙা চাবগী মহুৎতা লমদম অসিদা পুথোকপা ঙা চাবীয়ুহায়না দিরেক্তর টি. ফুলেন্না আপীল তৌরক্লি।

অমরোমদা, রাজ্যগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- আত্মা নিরভর ভারতকী থৌরাং মখাদা মণিপুরদা মৈতৈ শরেং হায়না খঙনবা ঙা মখল অসি মায় পাকা পুথোকপা হৌরকপদগী বঙ্গলাদেশতগী পুশিল্লকপা শরেং চাদা ৬০ হন্থহনবা ঙমলে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- ইং ২০১৯ দা হৌদোকখিবা শরেং প্রোজেক্টকী মখাদা পায়খৎলকপা থবকশিং মায় পাকা চংশিল্লকপদগী ঙসিদি রাজ্য অসিদা কিলোগ্রাম ৫ লুম্বা শরেং ফাওবা পুথোক্তুনা মণিপুরগী মীয়ামদা ফংহনবা ঙমলি।

দ্রাইভ (এল)ঃ নিংঙোল চাক্কৌবগী পোৎ লৈবদা পীফম থোকপা অরুম্বা শুনা পীদবশিং য়েংশিনবগী থবক রাজ্যগী ৱেট এন্দ মিজরস দিপার্টমেন্টনা লেপ্তুনা

চত্থরি। থৌরাং অসি নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী ইম্ফালগী খাইরম্বন্দ কৈথেলদা মখোয়গী বুথশিং হাংদোক্তুনা চংশিল্লকখিবনি।

মসিগীসু মথক্তা তোঙান তোঙানবা মহৈরোই লুপ তরুকসু পোৎ-চৈ মমল হেন্না য়োনবা দুকানশিংদা অখন্নবা দ্রাইভ চত্থরি। মহৈরোই লুপশিং অদুগী অখন্নবা কাংবুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোইবদা ফম্বিবা দুকানশিংদা চংদুনা পোৎ-চৈগী মমল হেন্না য়োনবা য়াওব্রা হায়না য়েংশিনখি। লোয়ননা দুকান মমাংদা পোৎ চৈগী মমল থেৎতুনা থমবা দুকান্দারশিংদা খঙহনখি।

মুইভা (এল)ঃ নেসনেল সোসিয়েলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম (এন.এস.সি.এন-আই.এম)গী লুচিংবা থুইঙাইলেং মুইভা. চহি ৫০ গী মতুংদা ঙসি উখ্রুলদা থুংলরে। পাৱন হন্স হেলিকোপ্তর অমদা থুইঙাইলেং মুইভা উখ্রুলগী বক্সি গ্রাউন্দদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ মখায়রোম তারকপা অদুৱাইদা থুংখি। মহাকা হেক থুংলবগা মশিং য়াল্লবা মীয়ামা তরামা ওকখি।

মহাকপু ওকপগী থৌরম অদু উখ্রুলগী হেদক্বাটর গ্রাউন্দদা পাঙথোকখি। মদুদা মণিপুরগী নাগা পিপলস ফ্রন্টকী এম.এল.এশিং- অৱাংবৌ নিউমাই, রাম মুইভা, লৈশিও কৈশিং অমদি খাসিম ভাসুম শরুক য়াখি।

হকচাংগী ফিভমনা মরম ওইদুনা শ্রী মুইভাগী ৱারোল এন.এস.সি.এন-আই.এমগী মীওই অমনা পাথোকখি। মহাক্কী ৱারোলদা হায়- ইং ২০০২ গী এমষ্টরদাম জোইন্ট কম্যুনিক অমদি ইং ২০১৫ গী ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা য়ুম্ফম ওইদুনা শান্তিগী ৱারী শারিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা হায়বসি এন.এস.সি.এন-আই.এমগী অচেৎপা ফিরেপনি। নাগাগী ওইবা ফিরাল অমদি সংবিধান থম্বগী ৱাফম অসিদা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা তাইশিন্নবা পুরক্লোই হায়খি। অমরোমদা, মতম কুইরবগী তুংদা মহাক্কী পোকফম লমদমদা লাকপগী খুদোংচাবা ফংবা অসিদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা শ্রী মুইভাগী ৱারোলদা- তাঙ্খুল ফুরুপ য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিং, হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্টশিং, মহৈরোই অমদি নুপীগী লুপশিং, চর্চশিং অমসুং রাজ্য সরকারবু থাগৎপা ফোংদোক্লমখি।

চান্দেল (এল)ঃ প্রোহিবিসন ওফ চাইল্ড মেরিএজ এক্ট, চাইল্ড এন্দ এদোলেসেন্ট লেবর এক্টকী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না ভাব তাহন্নবগী পান্দমদা সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগকী মীৎয়েং মখাদা চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত চান্দেল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেলনা পুন্না শিন্দুনা ৱাক্কাথোন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ৱাক্কাথোন অদুদা পুন্না অঙাং ১৫০ রোম অমদি চাইল্ড য়ুনিতকী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

আর্ট (এল)ঃ কলচর মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিরা গান্ধি নেসনেল সেন্তর ফোর দ আর্টস অমদি ইম্ফাল আর্ট গেল্লেরিগা খুৎশমনদুনা নুমিৎ ৬ নিগী ওইবা একজিবিসন কম পেনেল দিস্কসন ঙসি ক্বাকৈথেলদা লৈবা ইম্ফাল আর্ট গেল্লেরিদা হৌদোকখ্রে। কেনভাসকী খুথাংদা ফোল্ক, কচলর অমসুং অৱাং নোংপোক ভারতকী পুন্সি মহিং হায়বা হিরম অসিদা মণিপুরদা অখন্নবা মীৎয়েং হায়বা হিরমদা একজিবিসন অমদি পেন্নেল দিস্কসন অদু পাঙথোকপনি। পেন্নেল দিস্কসনদা কলচরেল এক্তিভিষ্ট মুতুম বহাদুর, কষ্ট্যুম দিজাইন্নর লাইশ্রম শরত, নেসনেল ললিত কলা একাদমি এৱার্দি নোংমাইথেম নন্দরাজ অমদি রিছার্স স্কোলার লাইশ্রম শুশিল শরুক য়াখি।

লমদম অসিগী ফোল্ক ষ্টোরিশিং অয়েকপা লাই ওইনা পুথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা একজিবিসন কম পেন্নেল দিস্কসন অসি পাঙথোকপনি হায়না আর্টিষ্ট অমসু ওইরিবা থৌরম অদুগী পেনেলিষ্ট লাইশ্রম শুশিলনা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-

তোবেকো (এল)ঃ নেসনেল তোবেকো কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট তোবেকো সেল ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা তোবেকো ইনফোর্সমেন্ট দ্রাইভ চখ্খ্রে। তোবেকো ফ্রি য়ুথ কেম্পেন থ্রি-পোইন্ট জিরোগী মনুং চন্না চখখিবা দ্রাইভ অদু রিমসকী গেট মমাং য়াওনা মণিপুরগী হকশেল বিভাগকী ওফিসকী অকোইবা মিতর ৩০০ গী মনুংদা লৈরিবা মফমশিংদা দ্রাইভ চখখি।

লদাখ ঃ গৃহ মন্ত্রালয়গী হাই পৱার কমিতিগা লদাখকী লুচিংবশিংগা ঙসি নিউ দিল্লিদা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নখ্রে। মমাং থাদা য়ুনিয়ন তেরিতোরি অসিদা হিংশা থোকখিবা অদুগী তুংদা মসিনা অহানবা ফোরমেল ওইবা ৱারী শান্নবনি।

এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা লেহ এন্দ কার্গিল দেমোক্রেতিক লাইওন্সকা গৃহ মন্ত্রালয়গী হাই পৱার কমিতিগী মরক্তা ৱারী শান্নবগী থৌরাং তৌরকপনি। মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা কার্গিল দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্সকী মেম্বর সজাদ হুসেন কার্গিলিনা হায়- হৌখিবা চহি ৬ লোমদগী লদাখতা গনতন্ত্র লৈহন্নবা মখোয়না দাবী তৌদুনা লাকপনি অমসুং মসিগী পান্বেদি মপুং ফাবা রাজ্য অমা ওইহনবনি। মহাকা হায়- ৱাথোক অসিগী মতাংদা মীফম অমুক অনিরক পাঙথোকপনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমলোই অমসুং মসিগীদমক মখা তানা থবক পায়খৎপা চংই।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ---

পোলো ঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মখাদা চত্থরিবা ৩৮ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈনা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লব নোংমৈবুংবু পাঞ্জল ১২-৬ তা মায়থিবা পীখ্রে। ইম্ফাল রাইদিং পোলো ক্লব-এ লমফেলনা পুহোল পোলো ক্লব কৈবীবু পাঞ্জল ১২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ককচিং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট যোগ ত্রেনিং এন্দ রিছার্স এসোসিয়েসন ককচিং দিষ্ট্রিক্ট যোগাসনা স্পোর্টস এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা নুমিৎ নিনি চত্থরকপা অহানবা রাজ্য থাক্কী যোগসনা চাংদমবা ২০২৫ গী মকোক মথং তারবশিংদা ঙসি মনা মথুম য়েন্থোখ্রে। থৌরম অদু লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিংগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবনি।

ৱাইকে (এল)ঃ  মণিপুর য়ুনিভর্সিতি হন্তর কলেজ রেষ্টলিং মেন এন্দ ৱিমেন তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী চেম্পিয়ন বিরমঙ্গোল কলেজনা ওইখ্রে। এম.বি. কলেজনা অহানবা রন্নরসঅপ অমসুং জে.সি.আর.ই কলেজনা অনিসুবা রন্নর্সঅপ তাখ্রে। তুরনামেন্ট অসি ৱাই.কে. ৱাংজিংগী গেমস এন্দ স্পোর্টস এদভাইজরিনা শিন্দুনা কলেজ অসিগী ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখিবনি।

---স্পোর্টস ট্যুন---